## মেক্রোনগী ৱাফম টর্কিনা রিজেক্ট তৌখ্রে

অঙ্কারা, মার্চ ২৫ (এজেন্সী):

অঙ্কারানা ফ্রান্সকী মথংগী প্রসিদেন্সিএল ইলেক্সন্দা খূৎ থিংজিন্নবা হোৎনদুনা লৈরি হায়বা ফ্রান্সকী প্রসিদেন্ট ইন্মান্যুএল মেক্রোনগী ৱাফম টর্কিনা রিজেক্ট তৌখ্রে।

প্রসিদেন্ট মেক্রোনগী ৱাফম অসি লাইবক থিবনি অমসুং মসি ঐখোয়না লৈবাক অনীগী মরীদা লৈরিবা উংখৎনবশিং কোকহন্নবা মরুপ-মপাং ওইবা মরী শেমগৎনবা হোৎনরিঙৈ মতমসিদা চৎনদে হায়না টর্কিগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সপর্সন হামি অকসোয়না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি। মেক্রোনগী ৱাফম অসি য়াফম থোক্তে অমসুং লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈরিবা মরুপ-মপাং অমসুং মীচঙ ওইনবগী মরীগা চানদে হায়না মখোয়না মখা তাখি।

ফ্রান্সকী টর্ক ৮০০,০০০ লোম ঈংনা চিক্লা নুংশি-চান্ননা অমসুং নুংঙাই য়াইফনা লৈহনবা পাম্বা নত্তনা লৈবাক অসিগী দোমেষ্টিক পোলিটিক্সতা টর্কিগী থোইদোকপা এজেন্দা লৈতে হায়নসু স্পোক্সমেন অসিনা ফোঙদোকখি। অকসোয়না মখা তানা হায়, ৱাফমশিং অসি ঈ য়ুগী সম্মিটকী মাঙওইননা অতম্মনা টর্কিদা শোকহন্নবগীদমক্তনি।

## বৃটিশ পাসপোর্ট রিজেক্ট তৌনবা হোং কোংনা ফোরেন গভর্ণমেন্টশিংদা খঙহনখ্রে

হোং কোং, মার্চ ২৫ (এজেন্সী):

য়ুরোপ, নোর্থ অমেরিকা অমসুং এসিয়াগী মফম খরদা চৎলগা মতম খরা থবক শুবা য়ানবগী হোলিদে ভিজাশিং এপ্লায় তৌনবগীদমক্তা হোং কোংগী নহারোলশিংনা তোয়না শীজিন্নদুনা লাকপা বৃটিশ ত্রাভেল দোক্যুমেন্ট অমা রিজেক্ট তৌনবা হোং কোং গভর্ণমেন্টনা ফোরেন কোন্সুলেট খরদা খঙহনখ্রে হায়না দিপ্লোমেটশিংনা ফোঙদোরক্লি।

এনভোয় কয়াগী মীৎয়েং পূক্লিং থৌগৎনিঙাই ওইদবা দিপ্লোমেটিক খোঙথাংনি হায়না লৌনবা অমদা সিটি অসিগী গভর্ণমেন্টনা ফোরেন কন্সুলেট তরা হেনবদা ইবা লেট্টর ১দা বৃটিশ নেশনল ওভরসিজ (বি এন ও) পাসপোর্ট অসি জন্যুৱারি ৩১দগী মখা তানা চৎনবা য়াবা ত্রাভেল দোক্যুমেন্ট অমনি হায়না খন্নদ্রে হায়খি। বৃটিশ পাসপোর্টকী মহুত্তা হোং কোং পাসপোর্ট ওইনা শীজিন্নগদবনি হায়না লেট্টর অদুদা পনখি।

চাইনানা লৈঙাক্লিবা চাইনাগী লম অসিবু থাদোকপা পাম্বা হোং কোং মচাশিংবু মপূং ফাবা বৃটিশ সিটিজনশিপ ফংহন্নবগী লম্বী পীবা অনৌবা ভিজা স্কিম অমা বৃটেননা হৌদোকখিবদগী হৌখিবা জন্যুৱারীদা বি এন ওগী মতাংদা দিপ্লোমেটিককী য়েৎনবা অমা লাকখি।




হোং কোংদা অনৌবা অকনবা নেসনল সিক্যুরিটি লো অমা চৎনহনখিবা মতুংদা বৃটেননা স্কিম অদু লোঙ্গ তৌখিবনি। ক্রিটিকশিংনা হায়রিবদি অনৌবা নেসনল সিক্যুরিটি লো অদুনা হান্নগী বৃটিশ কোলোনি অসিদা ওথোরিটিগী মায়োক্তা লৈবশিং নৎত্রগা ওপোজিসন নমথরক্কনি হায়বসিনি।

বৃটেননা সিটি অসিবু কুমজা ১৯৯৭তা চাইনীজ লৈঙাক্তা অমুক হন্না শিন্নদ্রিঙৈগী মাঙওইননা শেমখিবা বি এন ও দোক্যুমেন্ট অদু হোং কোংগী মীওই মিল্লিয়ন অহুমলোম্না শিন্নবা য়াই। হোং কোংনা মেনলেন্দ চাইনাগী মতৌগুম্না দ্যুএল নেসনেলিটিগী রেকগনিসন লেপ্তুনা অহানবা ওইনা ফোরেন দিপ্লোমেটশিংবু দিটেন তৌরিবা লোকেলশিং ভিজিট তৌবা থিংখি।

হোং কোং গভর্ণমেন্টকী থৌরাং অদু লৈবাক অয়াম্বনা থৌশানরক্লোই, হোং কোং গভর্ণমেন্টনা পাল্লবসু মখোয় ষ্টেট অমগা মখোয়না শকখঙবা ফোরেন পাসপোর্টশিং খঙহনবগী রাইট লৈতে হায়না নোংচুপলোমগী সিনিয়র দিপ্লোমেট অমনা ফোঙদোকখি।

অতোপ্পা এনভোয় অমনসু মদু হোং কোং গভর্ণমেন্টনা ইন্টরনেসনল ফাইনান্সিএল হব অমদা অসিগুম্বসি তৌফম থোক্তে হায়খি।

হোং কোং গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী হীরম অসিগী মতাংদা এজেন্সীদা কম্মেন্ট পীরকখিদে। হোং কোং গভর্ণমেন্টকী ৱেবসাইটতা ফোঙবা লিষ্টতা জপান, কানাদা, জর্মনি, বৃটেন অমসুং ওষ্ট্রেলিয়া য়াওনা লৈবাক ১৪গী মমিংশিং ৱার্কিং হোলিদে স্কিমগী মখাদা য়াওরি।

জপান, সাওথ কোরিয়া, ইটালি অমসুং ন্যু জিলেন্দদগী ওফিসলশিংনা মখোয় হৌজিকসু বি এন ও পাসপোর্ট মখা তানা শকখঙলি হায়খি। সাওথ কোরিয়াগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ওইনদি লেট্টর অদু ফংদ্রি হায়খি। য়ুনাইটেদ ষ্টেট, ফিললেন্দ অমসুং নোর্ৱেয়াওনা অতৈ লৈবাকশিংনসু হোং কোং মচাশিংগীদমক্তা মান্নবা এরেঞ্জমেন্টশিং ওফর তৌরি।

## চাইনীজ ফোরেন মিনিষ্টরগী টর্কি খোঙচত্তা উইঘুর মুসলিমশিংনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে

ইষ্টানবুল, মার্চ ২৫ (এজেন্সী):

টর্কিদা খোঙচৎ অমা চৎলিবা চাইনাগী ফোরেন মিনিষ্টর ৱাংয়িনা শগোলশেন নুমিত্তা অঙ্কারাদা টর্কিগী মহাক্কী লেংমান্নবা মেভলুট কাভুসোগলুগা ৱারী শানরিঙৈদা উইঘুর মুসলিমশিংনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে।




চাইনাগী নোংচুপ ইথং থংবা সিঞ্জিয়াং রিজনদা ইথনিক উইঘুরশিংবু ওৎপি-নৈবীবগী থৌওংশিং য়ানীংদবা উৎলদুনা টর্কিদা লৈরিবা কম্যুনিটি অসিগী মীওইশিংনা প্রোটেষ্ট পাঙথোকখিবনি।

বৈজিংনা হৌখিবা দিসেম্বরদা লৈবাক অনীগী মরক্তা পুরকখিবা এক্সত্রাদিসন ট্রিটি এপ্রুভ তৌখি। দিল অদুবু অঙ্কারাগী পার্লিয়ামেন্টনা অয়াবা পীবা ঙাইরিঙৈদা টর্কিদা লৈরিবা উইঘুর এক্টিভিষ্টশিংনা মখোয়গী অৱাবশিং খঙহন্নবা হোৎরনদুনা প্রোটেষ্ট অদু পাঙথোক্লিবনি। লৈবাক অসিদা হৌজিক উইঘুর ৪০,০০০ রোম লৈরি।

টর্কিস ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখিবদা, ৱাংগী খোঙচৎ অদুদা রিজনেল অমসুং ইন্টরনেসনল ইস্যুশিংগা লোয়ননা বাইলেটরেল মরী খন্ন-নৈনগনি। মহাক্না টর্কিস প্রসিদেন্টকসু উনগনি। উইঘুরশিংনা খ্বাইদগী হেন্না ৱারিবদি অঙ্কারানা টর্কিগী কেভিদ-১৯ ভেক্সিনগীদমক্তা চাইনাগী মপান তাংদুনা লৈবা অসিনি। হৌজিক ফাওবদা টর্কিনা চাইনাগী সাইনোভেক বাইওটেকতগী ভেক্সিন দোজ মিল্লিয়ন ১৫ ফংলে। লৈবাক অসিনা মখা তানা অহেনবা দোজ মিল্লিয়ন কয়াসু ওর্দর তৌবা লৈখ্রে।

চয়োল অসিদা জর্মনিগী বাইওএনটেককী ভেক্সিন দোজ মিল্লিয়ন ১.৪ টর্কিদা থুংলখি। মদু অহানবা নন-চাইনীজ ভেক্সিন সিপমেন্টনি। ইষ্টানবুলদা পুনখিবা দেমোন্সট্রেটর ৩০০ লোম্না ‘দিক্টেটর চাইনা’, ‘ষ্টোপ উইঘুর জেনোসাইদ’ অমসুং ‘ক্লোজ দ কেম্পস’ হায়বা খোল্লাউশিং লাউখি। মখোয় খরনা ইষ্ট টর্কিষ্টানগী নিংতম ঈহৌদা শীজিন্নবা হিগোক অমসুং অঙৌবা মচুগী ফিরালশিং হাইখি। ইষ্ট টর্গেষ্টান হায়বসি উইঘুরশিংনা সিঞ্জিয়াংগী মহুত্তা শীজিন্নবা মখোয়না পামজবা মিংনি।

চাইনানা উইঘুরশিংদা চথরিবা থৌওংশিংগী মায়োক্তা মখোয়না টর্কিগী কেপিটেল অঙ্কারা অমসুং লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী চাওবা সিটি ইষ্টানবুলদা তোয়না প্রোটেষ্ট তৌদুনা লাকখি। য়ামদ্রবদা উইঘুর অমসুং মুসলিম মিল্লিয়ন অমরোম চাইনাগী অৱাং নোংচুপ থংবা সিঞ্জিয়াংদা লৈবা দিটেন্সন সেন্টরশিংদা ফাজিন্দুনা থম্লি হায়না য়ু এন এক্সপর্টশিংনা পারি। উইঘুরশিংবু নমথদুনা চাইনানা মীওইবা খুন্নাইগী মায়োক্তা জেনোসাইদ অমসুং ক্রাইম কয়া চথরক্লি হায়না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা হৌখিবা জন্যুৱারীদা ফোঙদোকখ্রবনি।

## ফিলিপিন্সনা য়েৎনরিবা সাওথ চাইনা সিদা অহেনবা জহাজশিং থাজিনখ্রে



মনিলা, মার্চ ২৫ (এজেন্সী):

য়েৎনরিবা সাওথ চাইনা সিদা ফিলিপিন্সনা নেভিগী অহেনবা জহাজশিং দিপ্লোয় তৌদুনা মেরিটাইম পেট্রোল কনখৎখ্রে।

ফিলিপিন্সকী ইকনোমিক জোন মনুং চনবা হ্বিটসন রীফ মনাক্তা চাইনীজ ভেসেল ২০০ হেন্না লৈবা উরে হায়না আর্মদ ফোর্সেস ওফ দ ফিলিপিন্স (এ এফ পি)না ফোঙদোকখিবা মতুংদা খোঙথাং অসি লাকপনি। রীফ অদুবু ফিলিপিন্সশিংনা জুলিয়ন ফেলিপ রীফ হায়না মমিং থোল্লি।

মফম অদুদা অহেনবা জহাজশিং দিপ্লোয় তৌরিবা অদুনা এ এফ পিনা ঐখোয়গী মীয়াম্বু ঙাক-শেনবগী অচেৎপা ফিরেপ অমা লৈ হায়বসি উৎলিবনি হায়না মিলিটরি স্পোক্সমেন মেজর জেনরেল ইদগার্দ অরেভালোনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি।

অরেভালোনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মিলিটরি ওফিসলশিংনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা চাইনাগী লেংমান্নবশিংগা উন্নদুনা মফম অদুদা ওইরক্লিবা ফিভম খন্নখি অমসুং ভেসেলশিং অদু হ্বিটসন রীফ থাদোক্কদবনি হায়বা দিফেন্স সেক্রেটরি দেলদিন লোরেঞ্জাগী দিমান্দ খঙহনখি।

চাইনাগী পীপলস লিবরেসন আর্মিগী মীহুৎশিংনা জহাজশিং অদুদা মিলিস্যাশিং য়াওদে অমসুং তোংলিবশিংদু নোং-চিংগী ফিভম ফত্তবদগী ঙা ফাবগী থবক্তা অকায়বা থোক্তুনা তঙায় ফন্দবা মফমদুদা লৈবনি হায়বা গভর্ণমেন্টকী ৱাফম পনখি।

ফিলিপিন কোষ্ট গার্দনা মমাঙদা ফিসিং ভেসেলশিং অদুদা চাইনীজ মেরিটাইম মিলিস্যা পর্সনলশিং তোংই অমসুং মখোয় নোং-চিংগী ফিভম ফরিঙৈ মতমদগী মফম অদুদা লৈরকখি হায়না ফোঙদোকখ্রবনি।

য়েৎনরিবা মফম অদুদা চাইনীজ বেসেলশিং লৈশিনবগী মতাংদা য়ু এস, জপান, ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং কানাদানা নুংনাংবা উৎখি।

চাইনানা সাওথ চাইনা সি অপূম্বা লৈবাক অসিগী লম শরুক্নি হায়না ক্লেম তৌবগা লোয়ননা এরিয়া অদুদা মিলিটরি ফেসিলিটিশিং য়াওনা খূৎশেমগী ঈথৎশিং শেমখি।

ফিলিপিন্সতা নত্তনা ভিএটনাম, মালেসিয়া, ব্রুনৈ অমসুং টাইৱাননসু মহৌশাগী পোখোক মরাং কায়না ফংই হায়না থাজনরিবা মফম অদুগী শরুকশিং ফাংজিন্ননা ক্লেম তৌরিবনি।

## আই এম এফনা পাকিস্তানগী বেলআওট পেকেজ হিঙ্গৎহনখ্রে

ইস্লামবাদ, মার্চ ২৫ (এজেন্সী):

ইস্লামবাদনা রিফোর্ম পুরকপা ঙমদবদগী লেপ্তুনা লাকপা বেলআওট পেকেজ অমা হিঙ্গৎহল্লদুনা ইন্টরনেসনল মোনিটরি ফন্দ (আই এম এফ)না পাকিস্তানদা পীগদবা দোল্লর মিল্লিয়ন ৫০০গী লোনগী শেনফম এপ্রুভ তৌখ্রে।

প্রোগ্রাম অদুগী পান্দমদি লেপ্পা লৈত্রিবা কোভিদ পেন্দেমিক মরক্তা শেল-থুমগী ফিভম নৌনা ফগৎহনবা অমসুং মীয়ামগী পুন্সি অমসুং শেঙ্খোক লম্বীশিং কনবদা মতেং ওইগদবা পাকিস্তানগী পোলিসিশিংবু শৌগৎপা অসিনি হায়না আই এম এফনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি। মচি লেংখিদ্রবা লোন ফেসিলিটি অদু নৌনা হিঙ্গৎহন্নবগী অয়াবা পীরবা মতুংদা আই এম এফনা ৱাফম অসি লাউথোরকপনি।

এপ্রুভেল অসিগা লোয়ননা পাকিস্তাননা বেলেন্স ওফ পেমেন্ট ক্রাইসিস লৈহন্দনবগীদমক্তা কুমজা ২০১৯ দা য়ানবা পুরকখিবা দোল্লর বিল্লিয়ন ৬কী বেলআওট পেকেজগী অহুমশুবা শরুক থাদোক্লবগী লম্বী ফাৎখি। ইনর্জিগী মমল হেনগৎহনবা অমসুং রেভিন্যু হেন্না খোম্বা য়াওনা লোন অদুগা মরী লৈনবা ইকনমিক রিফোর্মসকী পেকেজ অমা থবক্তা ওন্থোকপদা প্রোগ্রাম লৈতবদগী কুমজা ২০২০গী এপ্রিলদা লোন ফেসিলিটি অদু সস্পেন্দ তৌখিবনি।

## সাওথ কোরিয়ানা দোল্লর বিল্লিয়ন ১৩গী এক্সট্রা বডজেট পাস তৌখ্রে

সিওল, মার্চ ২৫ (এজেন্সী):

কোভিদ-১৯ পেন্দেমিকনা চৈথেং পীবদগী শিথরবা শেল-থুমগী থবক থৌরমশিং মহৌশাগী ফিভমদা হঞ্জিলহনবদা শীজিন্নবগীদমক্তা ৱোন ত্রিলিয়ন ১৪.৯ (দোল্লর বিল্লিয়ন ১৩)গী এক্সট্রা বডজেট বিল শগোলশেন নুমিত্তা সাওথ কোরিয়াগী পার্লিয়ামেন্টনা পাস তৌখ্রে।

বিল অদু চেম্বর অমতমক লৈবা নেসনল এসেমব্লিদা মেম্বর ৬কী মায়োক্তা মেম্বর ২৪২না শৌগৎতুনা পাস তৌখি। ভোট লৌনবা অদুদা মেম্বর ১১ এবসেন্ট ওইখি।

বিল অদু পাস তৌবগা লোয়ননা গভর্ণমেন্টনা ৱোন ত্রিলিয়ন ২০.৭কী রিলীফগ্রান্ট পেকেজ ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা থৌরাং তৌরি। মদু সাওথ কোরিয়াগী গভর্ণমেন্টনা ইমপ্লিমেন্ট তৌবা মরিশুবা গ্রান্ট পেকেজ ওইরগনি।

এইদ পেকেজ অদুগী মখাদা ৱোন ত্রিলিয়ন ৭.৩ রিলীফগ্রান্টশিংগী ওফরদা শীজিন্নগনি। ৱোন মিলিয়ন ১দগী মিল্লিয়ন ৫ ফাওবগী রিলীফ গ্রান্টশিংগী বেনিফিসরিশিংনা কোরোনাভাইরস পেন্দেমিকনা শোকহল্লবা মশানা মশাবু থবক পীজবা অমসুং মাইক্রো বিজনেস মপুশিংনি। ৱোন বিল্লিয়ন ৪.২দি লৈবাক অসিগী ভেক্সিনেসন কেম্পেনদা ফাইনান্স তৌবদা শীজিন্নগনি।

## ম্যান্মারদা ফাজিন্দুনা থম্লকপা জর্নেলিষ্ট থাদোকখ্রে

নেপিটো, মার্চ ২৫ (এজেন্সী):

জর্মন প্রেস এজেন্সি দি পি এগী থবক তৌবা পোলেন্দ মচা জর্নেলিষ্ট অমা ম্যান্মারগী সিক্যুরিটি ফোর্সশিং ফাজিনখিবা মতুং চয়োল অনীরোম লৈরগা থাদোরক্লে।

সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা থাদোরক্লবা রোবর্ট বোসিয়াগা কৌবা জর্নেলিষ্ট অদু শগোলশেন নুমিত্তা ম্যান্মারগী খ্বাইদগী চাওবা সিটি য়াঙ্গোনদা লৈবা এয়রপোর্টতগী পাইরগা পোলেন্দ পাংখি। মহাক ইরাই নুমিত্তা পোলেন্দদা থুংগনি।

মশাগী চহী ৩৩ শুরবা জর্নেলিষ্ট অসি মার্চ ১১দা সান ষ্টেটকী কেপিটেল টংগ্যীদগী ফাখিবনি। মহাকপু থাদোরকপদা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোকখিবা দি পি এগী এর্দিটর-ইন-চীফ সভেন গোসমানন মহাক য়াম্না থুনা ইমুংগী মীওইশিংগা পুল্লগনি হায়খি। অদুম ওইনমক গোসমাননা ম্যান্মারদা জর্নেলিষ্টশিং অমসুং মীয়ামগী ফিভম মখা তানা য়াম্না লুরি হায়না ৱার্নিং তৌখি। প্রেসকী ফ্রীদম অমসুং হ্যুমেন রাইটস ইকায় খুম্ননবা ট্রাঞ্জিসনল গভর্ণমেন্টতা ঐখোয়না আপীল তৌরি। মালেমগা লোয়ননা দি পি এনা ম্যান্মারদা থোক্লিবশিং কূপ্না য়েংদুনা লৈগনি হায়না গোসমাননা মখা তাখি।

বোসিয়াগা য়াওনা ম্যান্মারদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ফাজিনখিবা মিদিয়া ৱর্কর পূম্নমক খুদক্তা থাদোক্লবা দিমান্দ তৌখিবা ওর্গনাইজেসনশিংগী মনুংদা রিপোর্টরস ৱিদাওট বোর্দরস য়াওখি। ম্যান্মারদা লৈরিবা পোলেন্দগী সিটিজনশিংগী কোন্স্যুলর ইন্টরেষ্টশিং রিপ্রজেন্ট তৌরিবা য়াঙ্গোনদা লৈবা জর্মন এম্বেসিনা মহাকপু ফাজিন্দুনা থম্বগী মরম পীনবা অমসুং মহাকপু খূদক্তা উন্নহন্নবা দিমান্দ তৌখিবনি।

ফেব্রুৱারী ১দা কু চথখিবদগী ম্যান্মারগী মিলিটরিনা দেমোন্সট্রেটরশিংগী মায়োক্তা শাথিবা হেনগৎলকপদা নত্তনা পোলিটিসিয়নশিং, এক্টিভিষ্টশিং অমসুং জর্নেলিষ্টশিংগী মায়োক্তসু শাথিবা হেনগৎলকখি।

প্রিজনর্স এইদ ওর্গনাইজেসন এ এ পি পিগী মতুংইন্না, হৌজিক ফাওবদা মিলিটরি ওথোরিটিশিংনা মীওই ২৯০০ হেন্না ফাজিনখ্রে। প্রোটেষ্টরশিংদা নোংমৈ কাপশিনবদা মীওই ২৮০ হেন্না শিখি। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি ঈরাং অদুদা ফোরেনরশিং খুদোংথিবা নংদ্রি। য়ুমশকৈশা নুমিত্তা অয়াম্বনা মহৈরোয়শিং ওইবা দিটেনি ৬০০ থাদোকখি।

## ভির্জিনিয়াদা শিবগী চৈরাক লৈররোই

ৱাশিংটন, মার্চ ২৫ (এজেন্সী):

য়ু এসকী খা থংবা শরুক্তা লৈবা ভির্জিনিয়া ষ্টেটনা শিবগী চৈরাকমুখৎপা লমদম অসিগী অহানবা ষ্টেট ওইরগনি। গভর্ণর রাল্ফ নোর্থমেন্দনা শিবগী চৈরাক মুখৎপগী লেজিসলেসন অমা খূৎয়েক পীখ্রে।

য়ুমশকৈশা নুমিত্তা জারাটতা লৈবা গ্রীন্সভিল করেক্সনেল সেন্টরগী মপান্দা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা দেমোক্রেটিক গভর্ণর অসিনা লেজিসলেসন অদু খূৎয়েক পীখি। মদুগী মমাঙদা মহাক্না জেল অদুগী এগজিক্যুসন চেম্বর য়েংখি। কুমজা ১৯৯১দা হাংখিবা চেম্বর অদুদা শিবগী চৈরাক ফংলবা মীওই ১০২ হাৎখ্রে।

হৌখিবা ফেব্রুৱারীদা কোংগ্রেসকী চেম্বর অনীমক্কী মেম্বরশিংনা কেপিটেল পনিসমেন্ট মুখৎপগী ৱাফম শৌগৎতুনা ভোট পীখি।

য়ু এসকী অতৈ ষ্টেট ৫০গী মনুংদা ২২দা শিবগী চৈরাক মুখৎখ্রবা মতুংদা ভির্জিনিয়াসু চৈরাক অসি মুখৎনবা ৱারেপ লৌখিবনি।

গভর্ণর নোর্থামনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, ঐখোয়গী চহী ৪০০ হেল্লবা পুৱারীদা ভির্জিনিয়ানা অতৈ অতোপ্পা ষ্টেটশিংদগী হেন্না মী হাৎখ্রে।

শিবগী চৈরাক পীবগী সিষ্টেম অসিমক অশোয়বা অমনি। মসি কান্নদে অমসুং কম্মনৱেল্ঠ নৎত্রগা লৈবাক অসিদা মসিগী মফম লৈতে হায়না গভর্ণরনা মখা তাখি।

## কোভিদনা গভর্ণমেন্ট শেম্বগী ৱারী শানবা লেপহনখ্রে

অমষ্টরদাম, মার্চ ২৫ (এজেন্সী):

চিফ নিগোসিএটরশিংগী মনুংদা অমা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরম্বদগী অনৌবা দটচ গভর্ণমেন্ট অমা শেম্নবা ৱারী শানবগী থবক শগোলশেন নুমিত্তা লেপখ্রে।

হৌখিবা চয়োলদা নেসনল ইলেক্সন পাঙথোকখ্রবা মতুংদা অনৌবা কোলিসন গভর্ণমেন্ট অমা শেম্নবগী এরেঞ্জমেন্টশিং খন্ননবা শিন্নখিবা ইন্টরিয়র মিনিষ্টর কাজসা ওলোংরেন কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে হায়না মহাক্কী ওফিসনা লাউথোকখি।

অনৌবা গভর্ণমেন্ট শেম্নবগী ৱারী শানবদু করম্বা মতমদা অমসুং করম্না মখা চথগদগে হায়বসি শেংনা খঙখিদে।

প্রো-য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন দি ৬৬ পার্টিগী রিপ্রজেন্টেটিভ অমা ওইরিবা ওলোংরেলনা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা প্রাইম মিনিষ্টর মার্ক রুটে অমসুং মশাগী পার্টিগী লুচিংবা সিগ্রিদ কাগ য়াওনা দটচ পার্লিয়ামেন্টকী পার্টি খূদিংমক্কী লুচিংবশিংগা ৱারী শানখি।

দটচ হেল্থ রেগ্যুলেসনগী মতুং ইন্না, রুটে অমসুং অতৈ পার্টিগী লুচিংবশিং ওলেংরেনগা মখোয়গা উনখিবা মতুং নুমিৎ মঙানি লৈরগা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌগদবনি। রুটে অসি হৌখিবা চয়োলগী অথেংবদা মহাক্কী কেবিনেট মেম্বরশিংগী মনুংদা অমা ইনফেক্সন লৈরম্বদগী য়ুমশকৈশা নুমিত্তা টেষ্ট তৌবদা নেগেটিভ ওইরমখি। মহাক্কী কঞ্জর্ভেটিভ ভি ভি ডি পার্টিনা দটচ পার্লিয়ামেন্টতা সিট মশীং খ্বাইদগী য়াম্না ফংলি।

## পেনাল কেম্পতা অলেক্সি নভালনিগী হকচাং শোকচিল্লক্লে

মোস্কো, মার্চ ২৫ (এজেন্সী):

পেনাল কেম্প অমদা থল্লিবা রসিয়াগী ওপোজিসন পোলিটিসন অলেক্সি নভালনিগী হকচাংগী ফিভম য়াম্না শোকচিল্লে হায়না মহাক্কী চীফ ওফ ষ্টাফ লিওনিদ ভোলকোভনা ফোঙদোকখ্রে।

ভোলকোভনা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখিবা ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়, হৌখিবা চয়োলগী অরোইবা শরুক্তগী মহাক্কী য়াঙলেন কা-হেন্না নারকখি। নভালনিগী মখোঙ নাম্মদা পেরালাইসিসকী লাইওং লৈবগা লোয়ননা মহাক চৎপা ঙমদ্রে। চীকপা-নাবা কয়া লৈদুনসু মঙোন্দা শুপ্নগী পিল অনীদগী হেন্না পীদে। ক্রেমলিন ক্রিটিক অসি খুদোংথীনিংঙাই ওইরবা মীহাৎপা অমা ওইরিবা প্রসিদেন্ট পুটিনগী হোষ্টেজনি অমসুং প্রিজনরনি। টোর্চর কোলোনি পোক্রোদা থল্লিবা অলেক্সি নভালনিগী হকশেল অমসুং পুন্সিদা থোক্লকপা খূদিংমক পুটিননা থৌদাং লৌগদবনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

মশাগী চহী ৪৪ শুরবা ওপোজিসন ফিগরসি মমাঙগী সেন্টেন্সকা মরী লৈননা পেরোলগী কাংলোন থুগায়বগীদমক্ত হৌখিবা ফেব্রুৱারীদা মোস্কোদা নোংপোক্ত কিমি১০০ লাপ্না পোক্রোদা লৈবা পেনাল কেম্প অদুদা ফাজিন্দুনা থম্লকখিবনি। জর্মনি, য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন অমসুং য়ু এসনা নভালনি থাদোক্লনবা হঞ্জিন হঞ্জিন আপীল তৌখি। ভেলকো অমসুং নভালনিগী লোয়নবী জুলিয়া নভালন্যানা ফোঙদোকখিবদা, নভালনিগী উকিলশিং পেনাল কেম্প অদুদা চঙহনখিদে হায়নসু কমপ্লেন তৌখি।

## রোহিঞ্জা কেম্পশিং নৌনা শেম-শানবা য়ু এননা দোল্লর মিল্লিয়ন ১৪ দোনেসন তৌখ্রে

ধাকা, মার্চ ২৫ (এজেন্সী):

চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা পাক-শন্না মৈ চাক্তুনা মাঙ তাকখ্রবা বাংলাদেশকী কোক্স বজার দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা রোহিঞ্জা কেম্পশিং নৌনা শেম শাবদা মতেং ওইনবগীদমক্তা য়ু এননা দোল্লর মিল্লিয়ন ১৪ দোনেসন তৌখ্রে।



নিংথৌকাবা নুমিৎকী থৌদোক অদুদা য়ূমথংনরিবা ম্যান্মারদগী চেল্লকপা রোহিঞ্জা মুসলিম লিশিং কয়াগী লৈফম ওইরিবা বালুখালিদা লৈবা রেফ্যুজি কেম্প মরী মৈ চাকখি। তমথিরবা মৈহৌলাংপোক অদুদা য়ামদ্রবদা রেফ্যুজি ১৫ শিখি অমসুং অতৈ রেফ্যুজি কয়া শোকখি।

বাংলাদেশকী কোক্স বজারদা লৈবা কেম্পশিংদা থোকখিবা শাথিরবা মৈহৌলাংপোকনা শোকহল্লবা রোহিঞ্জা রেফ্যুজি লিশিং কয়াগী ইমর্জেন্সি সর্ভিসশিং অমদি মখোয়গী সেল্টর নৌনা শেমগৎ-শাগৎপদা মতেং ওইনবা ঐহাক্না য়ু এন সেন্ট্রেল ইমর্জেন্সি রেস্পোন্স ফন্দ (য়ু এন সী ঈ আর এফ)দগী দোল্লর মিল্লিয়ন ১৪গী শেনফম অসি দোনেসন তৌরি হায়না য়ু এন হ্যুমেনিটেরিয়ন চীফ মার্ক লোজেকনা ত্বীট অমদা লাউথোকখি।

ফন্দশিং অদু ঈশিং, সেনিটেসন সর্ভিস, চানবা পোৎলমশিং ফংহনবা অমসুং ৱাখল লায়না চেল্লক্লবশিংদা মতেং ফংহনবদসু শীজিন্নগনি। গভর্ণমেন্ট অমসুং এইদ এজেন্সীশিংগী ভোলন্টিয়রশিংনা মৈহৌলাংপোক্কী ভিক্টিমশিং অদুবু সপোর্ট পীবা অমসুং মখোয়গী লৈফমশিং নৌনা শেম শাগৎপদা মতেং পাংবা হৌখ্রে।

য়ু এন এইদ এজেন্সি অসিগী মতুং ইন্না শাথিরবা মৈহৌলাংপোক অদুদা অয়াম্বনা রোহিঞ্জা রেফ্যুজিশিং ওইবা মীওই ৪৫,০০০ হেন্না লৈফম লৈহনখিদ্রে। হোস্পিটাল অমা অমসুং অতৈ মরু ওইবা হেল্থ, ন্যুত্রিসন অমসুং এদ্যুকেসনগা মরী লৈনবা ষ্ট্রকচরশিংসু মাঙ-তাকখি। লৈফম লৈত্রবা মীওইশিং অদু নক্লবা কেম্পশিং, সেল্টরশিং অমসুং স্কুল বিল্ডিংশিংদা চঙজফম লৌখি। কোরোনাভাইরস পেন্দেমিকনা লেপ্তুনা চৈথেং পীবা অমসুং নোংজুথা নকশিল্লকপা অসিদা রোহিঞ্জা রেফ্যুজিশিংনা হান্নদগী হেন্না ঐখোয়গী মতেং মথৌ তারি হায়না লোজোকনা মখা তাখি।

REGIONAL INSTITUTE OF MEDICAL SCIENCES, IMPHAL – 795 004
(An Autonomous Institute under the Ministry of Health & Family Welfare, Govt. of India)

ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / NOTICE
Imphal, the 24th March, 2021

No. B/3066/2016-RIMS/7778: The interview for appointment of Assistant Professors, RIMS and Dental College, RIMS with reference to this institute advertisement No. B/3066/2016-RIMS dt. 5th Feb., 2021 will be held on 8th & 9th April, 2021 in the Conference Room No. 445-A, Ministry of Health & Family Welfare, Nirman Bhawan, New Delhi. The list of eligible candidates (based on the report of the Scrutiny Committee) and schedule of the interview may be seen on the RIMS website: "www.rims.edu.in".

Sd/- K. Doungel
Deputy Director (Admn.),
Regional Institute of Medical Sciences,
Imphal

HL-B/6881/26

No. 9/6(1)/2020-H(Pt)
GOVERNMENT OF MANIPUR
HOME DEPARTMENT

ꯑꯣꯔꯗꯔ / O R D E R S
Imphal, the 9th March, 2021

WHEREAS, the undersigned Chairperson, State Executive Committee of the State Disaster Management Authority in exercise of the powers conferred under Section 20(2)(a) of the Disaster Management Act, 2005, issued order No. H-1601/6/2020-HD-HD dated 02/03/2021 allowing various activities subject to strict adherence to prescribed Covid Appropriate Behaviour and Standard Operating Procedures issued by the concerned Ministries of Government of India and the additional conditions relating to gatherings.

2. WHEREAS, the festivities of Yaoshang is likely to increase human interaction and physical contact which is not conducive to the second wave of Covid-19 infection being experienced in some states.

3. NOW THEREFORE, in exercise of the powers conferred under Section 20(2)(a) of the Disaster Management Act, 2005 the undersigned in his capacity as Chairperson, State Executive Committee of the State Disaster Management Authority in continuation of the order referred to above, hereby orders the following for strict adherence and enforcement:

i. "Yaoshang sports" may be organized subject to observation of relevant SoPs.
ii. No activity involving person-to-person contact such as "Thabal Chongba" or "Jatrawali" shall be permitted.
iii. All Deputy Commissioners and District Superintendents of Police shall enforce the above instructions strictly.

Sd/- Dr. Rajesh Kumar
Chief Secretary &
Chairman,
State Executive Committee
Government of Manipur

HL-B/6882/26